মণিপুরগী থোইদোক হেন্দোকপা শান্নরোয় অকোয়জম বিনোদকুমারনা লৈখিদবদা - ১

- লৈশাংথেম অজিৎ -



শান্ন-খোৎনবগী লম্‌শিংদা থোইদোক হেন্দোক্লা হৈথোই শিংথোইরবা অমদি লমদম অসিবু মশান্না কয়াদা অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবিরম্বা ক্বাকৈথেল ঙানপ্পী থোংদা লৈবা অকোইজম বিনোদকুমার মীয়াম্না তারাকিশ্বর হায়না খঙনবা ঐখোয়না লুনা নুংশিনা তৌজবা মমিং লৈরবা শান্নরোয় অসিনা হৌখিবা জুলাই ২৩, ২০২০দা মহাক্কী লৈফম ক্বাকৈথেল ঙানপ্পী থোংখোংদা লৈখিদবদা লমদম অসিগী শান্ন-খোৎনববু নুংশিজবা, পামজবা, শান্নরোয়শিং অমদি মহাক্কী মরুপ মপাংশিংনা নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

বিনোদকুমার মশান্না কয়াদা মতিক মগুন লৈনা হৈশিংনা মপাঙ্গল মথৌনা পুথোক্তুনা মীথোই মীহেন তান্নবদা মায় কয়ারক হন্না পাকখিবা মতিক মগুন লৈবা নুপানি। মহাক্কুম্না মশান্না কয়ামুক্তা থোইদোক হেন্দাক্লা হৈশিংবা শান্নরোয় লৈবাক অসিদা য়াম্না তাঙনা থোকই হায়না লৌনরি। মহাক নেসনলগী থাক্তা এথলেটিক্স অমসুং ভোল্লিবোলদা শরুক য়াবা নুপানি। মতমদুদা মণিপুরদা এথলেটিক্স, ভোল্লিবোল, ফুটবোল অমদি হোকিনচিংবা মরু ওইবা মশান্নশিং অসিগী তোঙান তোঙানবা এসোসিএসনশিং লৈরমদে। ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিয়েসন্না মশান্নশিং অসিগী টুর্নামেন্টশিং পাঙথোকই অমদি মসিদগী খনগৎলবা হৈশিংবা শান্নরোয়শিংনা শেম্বা টিম অদুনা অসামগী ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াই। অফবা শান্নরোয়শিং অদু অসামগী টিমদা খনগৎতুনা য়াওহল্লি। মরম অদুনা অসামগী মহুৎ শিন্দুনা অসামগী শান্নরোয় অমা ওইনা মরু ওইনা ফুটবোল, হোকি অমসুং বেদর্মিন্টনচিংবদা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা নেসনলগী থাক্তা শরুক য়াবা ফংখি। মসিগী মরম্না টিদিম রোদ এথলেটিক্স য়ুনিয়ন (ত্রাও) না লাইশ্রম নবকুমার অমসুং নম্বুল মপাল এথলেটিক্স এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (নাকো) গী এল শ্যামা অমদি কৈশামথোংগী বসন্ত কবুইনচিংবা অসামগী মহুৎ শিন্দুনা নেসনল ফুটবোল হায়বদি সন্তোস ত্রোফিদা অসামগী শান্নরোয় অমা ওইনা শরুক য়াখি।

মতৌ অসুম্না মণিপুরগী ভোল্লিবোল টিমসু অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টতা কুমজা ১৯৬৪দা নালবারিদা পাঙথোকখিবদগী হৌনা শরুক য়াবা হৌখি। অকোইজম বিনোদকুমারসু মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা অসামগী ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট অদুদা কয়ারক হন্না শরুক য়াখি। মরম অদুনা মহাক অসামগী মহুৎ শিন্দুনা নেসনল ভোল্লিবোল চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াখি। মহাক্কুম্না অসামগী মহুৎ শিন্দুনা খেন্ন-খেন্নবা চহীদা নেসনল ভোল্লিবোল চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াখিবশিংদি এল ইবোতোম্বী, এল ইনাও, এস ইন্দ্রমনি শর্ম্মা, এম রোজেন অমসুং এম গৌরোনি। কুমজা ১৯৭৩দগী মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিএসন তোঙান্না ইন্দিয়া ভোল্লিবোল এসোসিএসনদা এফিলিয়েট তৌদুনা ষ্টেট অসিগী মমীংদা তোঙান্না নেসনল চেম্পিয়নশিপ কুমজা ১৯৭৪দা বেঙ্গালুরুদা পাঙথোকখিবদা শরুক য়াখি। মহাক মণিপুরগী থোইদোক হেন্দোকপা এথলেট অমা ওইনা হায়জম্প, ত্রিপল জম্প, লোঙজম্প অমদি মিটর ১১০গী হর্দলসতা মণিপুর অমসুং অসামদা মহাক্কা নকশিন্না লম্বা তৌবা ঙম্বা এথলেট মশীং য়ামদে।

কুমজা ১৯৬২দা চিংঙাগী অৱাংদা লৈবা, হৌজিক্লা মণিপুর কোলেজগী ময়াদা লৈবা পিশুম লম্পাক্তা ইন্দোবর্ম্মা স্পোর্টস এসোসিএসন অশম্বীদা আই বি এস এ হায়না খঙনবা ক্লব অসিনা শিল্লাংবা এথলেটিক্স মীট অমদা ঐনা হায়জম্পতা শরুক য়ারুবদা ঐগা মহাক্কা খঙনখি। মহাক থৌরম অদুগী জজ (ওফিসল) ওইরম্মী। মদুদা ঐহাক মেত্রিক পরিক্ষা থানবা কন্না শেম শারি। থৌরম অদুদা ঐনা মকোক ওইখিবদা মহাক্কা ঐগা ইহান হান্না খঙনখি। মেত্রিক পরিক্ষা হেক লোইবগা মতম অদুগী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা মরিশুবা অসাম রাইফলসকী শান্নবুংদা হায়বদি হৌজিক্লা কংলা মনুং অসিদা এথলেটিক্স, ফুটবোল, হোকি অমসুং জিম্নাষ্টিক্সকী কোচিং অমা মপান্দগী কোচশিং কৌথোক্তুনা পাঙথোকখি। মতম অদুগী মণিপুরগী অফবা শান্নরোয়শিং খনগৎলগা চাংয়েং তৌদুনা কোচিং অদুদা শরুক য়াহল্লি। অকোয়জম বিনোদকুমারগা ঐগা এথলেটিক্স কোচিং অদুদা য়াওমিন্নৈ, মণিপুরগী মমীং লৈরবা এথলেটশিং কোচিং অদুদা শরু কয়াখি। এথলেটিক্স কোচকী মমিংদি রনবিরনি, মশম ককপা পঞ্জাবীনি। মহাক মতম অদুদা নেটাজি সুভাস নেসনল ইন্সটিট্যুসন ওফ স্পোর্টস, পাটিয়ালাগী এথলেটিক্স কোচনি।

অয়ূক নুংথিল পাঙথোক্তুনা তৌখিবা কোচিং অদুনা লমদম অসিগী শান্নরোয়শিং অমদি শান্নবগী অশিল অরাং তৌবা লূপশিংদা অচৌবা ইনোৎ অমা পীবিখি। মতুং তারকপদা মহাক গ্বালিয়রদা লৈবা লক্ষ্মিবাই কোলেজ ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেসন্দা বেচেলর দিগ্রী তমখি। কোলেজ অসিদা মহাক্কী শান্ন-খোৎনবদা হৈশিংবা অদু ইন্দিয়াগী মফম খুদিংমক্তগী লাকপা মহৈরোয়শিং অমদি ওজাশিং অদুনা খঙখি। মহাক্লা কোলেজ অদুগী ইন্টর মুরেল কম্পিটিসনশিংদা হায়বদি কোলেজগী ইন্টর হাওস স্পোর্টসতা এথলেটিক্সকী থৌরম খক্তা নত্তনা ভোল্লিবোল, ফুটবোল, হোকি, বাস্কেটবোল, টেনিস অমসুং বেদমিন্টনচিংবদা শরুক য়াবদা কোলেজ অসিগী ওজাশিং অমসুং মহৈরোয়শিংনা মহাকপু ইকায়খুম্নরম্মী।

মহাক্লা নোংমা ঐঙোন্দা অসুম্না হায় মদুদি মহাক্লা কোলেজ অদুদা হেক মীং চন্দুনা তম্বা হৌবগা মঙোন্দগী হান্না কোলেজ অদুদা তম্লম্বা পঞ্জাবী মচা লাবহ সিংহ কৌবা অমা ত্রিপল চোঙবদা থোইদোক হেন্দোকপা মহৈরোয় অমা লৈরম্মী। কোলেজগী ওজাশিংনা মহাক্লা লাবহ সিংহগা তান্নহনবদা মখোয় অনী অসি হেন্নদে, করিগুম্বদা বিনোদকুমারনা হেল্লি, করিগুম্বদসু লাবহ সিংহনা হেল্লি, কোলেজ অদুদা তম্বা মহৈরোয় খরনা হায়বদি মহাক্লা হেল্লি। মরম অদুনা কোলেজ অদুগী কোচশিংনা মখোয় অনীবু অখন্নবা ত্রিপল জম্পকী রেকোর্দ হেনগৎনবা নিংথিনা ত্রেনিং অমসুং কোচিং পীরম্মী। মদুদা এ কে বিনোদকুমারদি ত্রিপল জম্পকী ত্রেনিংদা মপূক্লিং পুরা চঙনা প্রেক্টিস তৌদে। ফুটবোল, ভোল্লিবোলনচিংবা অতৈ থৌরমশিংদসু পংয়াওদা য়াওশিল্লুবা মরম্না মতম খরগী মনুংদা লাবহ সিংহদি মহাক্কী থৌরম অদুদা মপূক্লিং চঙখিবনা নেসনলগী রেকোর্দ থুগাইখি অমদি টোকিও ওলিম্পিক ১৯৬৪গী ক্বালিফাই ওইদুনা ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবা ফংখি। মসিদা মহাক য়াম্না নিংঙমখিদে হায়না মহাক্লা নীংশিংলম্মী। ৱারী অসিমক সাই ইম্ফাল (তাকয়েল) গী দিরেক্টর ওইরম্বা দা. সলাম মনিনা ঐঙোন্দা ৱারী লীবদা য়াওখি। অদুগা লৈখিদ্রবা অহল অসিনসু লংফৈদা চৎমিন্নবদা ঐঙোন্দা ৱারী ওইনা লীবিখি। ●

ষ্টেটকী পাউ

জিরিবামগী কোভিদ ক্যের সেন্টর শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস): জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী হরিনগরদা লৈবা মোদেল স্কুলদা ঙসি হৌনবী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর দল্লিয়ু মালেমঙানবা চেংলৈ, আই এ এসনা নৌনা হাংদোকখিবা কোভিদ ক্যের সেন্টর শঙ্গাখ্রে।

থৌরম অদুদা এম মুবি, এম পি এস; এস পি অমদি ডা. ঈ ওকেন্দ্রনা গেষ্ট ওফ ওনর অমদি থৌরমগী প্রসিদেন্ট ওইনসু শরুক য়াখি। পাৱর দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিং, পি দল্লিয়ু দি, পি ঐচ ঈ দি অমদি হন্দক নৌনা খল্লবা ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি।

দি সী, দল্লিয়ু মালেমঙানবা চেংলৈনা হায়, হৌজিক ওইরক্লিবা কোভিদ-১৯ অসি থোইনা মিপাইনিংঙাই ওইদ্রে। সিম্পটম লাকপগা অরুবা ফীভমদা লাক্কদবা লৈরবদি ইম্ফালদা থানবগীদমক থৌরাংসু তৌদুনা লৈরে হায়খি।

থৌরম অদুদা এম মুবি, এম পি এস, এস পিনা ফোঙদোকখিবদা, লমদম অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি মখা তানা শন্দোরক্তনবা অমদি ফ্রন্টলাইনদা লেপ্পুনা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লুবা হোৎনরিবা ইচিল-ইনাওশিংবু থাগৎখি।

ইন্সপেক্টর রোসন খক্তা চৈরাক পীবগী মহুৎতা এস পি ইম্ফাল ইষ্ট অমদি হোম মিনিষ্টর ফম থাদোক্কদবনি : নিংঙোল ক্লব

হৈরোক, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস): ভৈশামযুম দেবসন এস আই, সী দি ও ইম্ফাল ইষ্ট সস্পেন্দ তৌখিবগা লোয়ননা গেলেন্ট্রি এৱার্দ লৌথোকপা অমদি গেলেন্ট্রি এৱার্দ অসি পীনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা ইম্ফাল ইষ্টকী ইন্সপেক্টর রোসন সস্পেন্দ তৌবগা লোয়ননা ইস্যু অসিগী মতাংদা অথুবা মতমদা ইনক্বারি তৌরগনি হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী হোম সেক্রেটরিনা ওর্দর থোক্লকপা অসি থাগৎলি হায়না নিংঙোল ক্লবকী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সুশ্মা নিংথৌজমনা ফোঙদোকখ্রে।

চেরোল অমদা মহাক্লা হায়খি, এস আই দেবসনদা গেলেন্ট্রি এৱার্দ পীবগা মরী লৈননা ইন্সপেক্টর রোসন বলিগী হমেং ওইহনবদি য়ারোই। অতৈ মকোক থোংবা ওফিসলশিং সস্পেন্দ তৌবগা লোয়ননা হোম মিনিষ্টর ফম থাদোকপীরো, খোঙবী-খোঙনাওদা উশিন ওইবা তোকপীরো, অচৌবা মচা খাক্তনা মরালগী মতুংইন্না মতীক চাবা চৈরাক পীবীরো। ইন্সপেক্টর রোসন খক্তনা গেলেন্ট্রি এৱার্দ রেকমেন্দ তৌবা ঙম্ব্রা। দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি, ষ্টেট লেবেলগী রেকমেন্দেসন কম্মিটি অমদি য়েংশিনবা স্ক্রিনিং কম্মিটিসু চৈরাক পীফম থোকই হায়রি।

ইন্সপেক্টর রোসনদি স্ক্রিনিং কম্মিটিনা চেক তৌবা মতমদা এক্সন পীরম্বা য়াই। ইন্দিপেন্দেন্ট ইনক্বারি কম্মিটি অমনা থিগৎপনা অচুম্বা পুথোকপা ঙমগনি। পূম্নমক অসিগী তায়ওন্নবদা লৈবাক মীয়ামগী থৌরম অমদা এৱার্দ অমা পীনিংই হায়দুনা স্ক্রিনিং নংদনা পংপীদা পীরব্রা। অসিগুম্বা থবক অসিনা মণিপুর পুলিসকী ইন্টলিজেন্স অসি ফেল ওইরে হায়বসি ময়েক শেংনা তাক্লে। এৱার্দ পীগদবা নুমীৎকী মাংওইননা ওগষ্ট ১৫ ইন্দিয়াগী ইন্দিপেন্দেন্স দে নুমীৎ অসিদা এৱার্দ পীবনি। মণিপুরগী হোম দিপার্টমেন্টনা ওগষ্ট ১২দা নোটিফিকেসন থোক্লগা ওগষ্ট ১৩দা মণিপুরগী পেট্রিওটস দে নুমীৎতা লাউথোক্তুনা চীফ মিনিষ্টর পুলিস মেদল ফোর গেলেন্ট্রিগী মনা ফংগদবা বৈশামযুম দেবসন, এস আই, সী দি ও ইম্ফাল ইষ্ট, সেরিএল নম্বর ৬তা য়াওরকপা অসি মণিপুর পুলিসকী ইন্টলিজেন্স কাঙবুশিং করি তৌরগা লৈরিবনো। হায়রিবা পুলিস ওফিসর অসি ২০১৩দা লুপা ক্রোর ৩গী দ্রগকী কেসতা চেন্নবা মীশক অমনি হায়বসি হেক্তা ইরায় লায়না খঙফম থোক্তব্রা? মহাক সস্পেন্দদা লৈব্রা হায়বসি মণিপুর লৈঙাক্লা শেংদোকপীয়ু। সস্পেন্দদদা লৈত্রগা মতৌ করম্না দ্রগকী কেসতা চেন্নবা মীশক অমবু ইরায় লায়না থাদোক্তুনা থল্লিবনো হায়বসি লৈবাক মীয়ামদা লৈঙাক অসিনা খঙহনবীয়ু। এস আই দেবসনদা এৱার্দ অসি পীরগনি হায়বসি নুমীৎ নীনি-হুম্নিগী মমাংদা লাউথোকখিবসি করিগুম্বা অমত্তা খঙদ্রবরা। মণিপুর মীয়ামগী মহৈরোয় লূপ এমসুনা হায়রক্লমদ্রবদি অদুম্মক পীখিগদৌরিবনি। চীন্দা ৱার ওন দ্রগ লাউশিন্নরগা দ্রগলোর্দ কয়া থাদোক্লবা শিনবা মানবা থৌওং চত্থবা, বেলদা হঞ্জিন-হঞ্জিন থাদোক্তুনা থম্বা ময়াই কাবা চীঞ্জাক ময়াম অমা আই আর বি, এম আরনা এস্কোর্ট তৌরগা থিলহনবা দ্রগ লল্লোনবা মীদা এৱার্দ পীশিল্লিবা অসিগুম্বা থৌওং অসি তৌবীগদবা লৈরবদি লৈঙাক অসিগী ৱার ওন দ্রগসকী কেম্পেয়ন মীয়াম্না থাজনিংঙাই ওইদ্রে। মীয়ামদা উৎ চাইবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

লৈঙাক অসিনা দ্রগকী কেস কয়াম লুম্না লৌবগে অমদি মথৌ ফজনা তৌরিবা লৈঙাক্কী থৌমীশিংবু করম্না পূক্লিং থৌগৎলি। দ্রগ লল্লোনবা অমদি চেন্নরিবশিংদা করি চৈরাক পীখ্রগে অমদি মথৌ তৌদবা অমদি কেসতা চেন্নবা ইমপ্লোয়ীশিংদা করি এক্সন লৌখৎলিবনো। দ্রগকা কোন্ননা পুলিস/সী দি ও/ এম আর/ আই আর বি/ ভি দি এফ অমদি আর্মি ফারে হায়দুনা পাউচেশিংদা ফোঙলগা ৱায়েল চৈরাক্লা করম্না পীরিবা হায়বসি থিবা ফংদবা তারগদি লৈঙাক অসিনা মণিপুরবু মুখৎনবা শিনবা তারক্লগনি। ফীভম অসিদা ঐখোয়গী মীয়াম্না পোলিটিকলগী খেন্নবা থাদোক্তুনা পূন্না থেংনমিন্নসি। সস্পেন্দ তৌবনা য়ারোই। হান্নসু দ্রগ কেসতা সস্পেন্দদা লৈরমগনি, কমদৌনা অসুক কুইরবা অসি সস্পেন্দ তৌদনা মথৌ তৌরল্লিবনো? সস্পেন্দদি থাজদ্রে, এক্সন লৌখৎপা ওইনা পাম্মী হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

লৈঙাক্লা অথুবদা এক্সন লৌখৎপীবা থাগৎনিংঙাইনি অমদি গেলেন্ট্রি এৱার্দ রেকমেন্দেসন কম্মিটি অসি হান্না য়েংশিনবা মথৌ তাই। লোয়ননা এম এল এ অমনা মণিপুর মীয়ামগী মহৈরোয় লূপ এমসুবু হম্বা থাক্তা হায়খিবসি পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা ইস্যু কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌদুনা লাক্লিবা মহৈরোয় লূপ অসিবু মশক খঙলমদবগী থৌওংনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

‘খুন্দ্রাকপম এ সীগী এম এল এবু লান্না উহন্নবা হোৎনরকপা লাইবক থীবনি’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস): খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র বি জে পি মন্দলনা এ সী অসিগী এম এল এবু মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনরিবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। এ সী অসিগী ফ্যের প্রাইস শোপ এজেন্টশিংদা মরী লৈনবা কন্ট্রেক্টরনা এ সী অসিগী জুলাই থাগী ফংফম থোকপা নফসাগী চেঙ ঙসি ফাওবা শিন্নরকপা লৈত্রি হায়না খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র ওল ফ্যের প্রাইস শোপ এজেন্ট য়ুনিয়ননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

এ সী অসিগী এম এল এগী য়ূমদা লৈরিবা গোদাউনদসু চেঙ ঙসি ফাওবা পুরকখিবা লৈত্রি। চৈরক অসিদা এ সী অসিগী বি জে পি মন্দলনা জুলাইগী নফসাগী চেঙ পীখ্রে হায়বগী চে অমা পুথোরকপা অসিনা মীয়ামদা অমদি এজেন্টশিংদা চমম্নবা অমা থোকহল্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা দি এস ওনা মসিগী মতাংদা অথুবা মতমদা শেংদোকপীরক্লুবা আপিল তৌজরি হায়খি।

ওগষ্ট থাগী ওইনদি পি এম জি কে এ ৱাই অমদি নফসাগী চেঙ কন্ট্রেক্টরনা পীরক্তুনা খুন্দ্রাকপম এ সীগী গোদাউনদা লৈরে। লাইবক থীবদগী গোদাউনগী মনাক নকপদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওই য়াওশিল্লকপদগী মী চঙথোক-চঙশিন তৌবদা খূদোংচাদবা খরা লৈরুরবা মতুংদা ঙরাং ওগষ্ট ১৭তগী মীয়ামদা য়েন্থোক্তুনা চেঙ ফংহনবসু হৌখ্রে। দিপার্টমেন্টনা জুলাই থাগী নফসাগী চেঙ অসি মতম চানা পীরক্তবনা মরম ওইরগা থম্মোয় শেংনা মীয়ামগী থবক তৌজরিবা এ সী অসিগী এম এল এ অমদি এজেন্টশিংবু লান্না উহন্নবা মরম অমা ওইহল্লে। মরম অদুনা হায়রিবা জুলাই থাগী ফংফম থোকপা নফসাগী চেঙ ক্বোটা অসি মরী লৈনবা দি এস ও অমসুং কন্ট্রেক্টরনা অথুবা মতমদা শোপ এজেন্টশিংদা শিন্নবীনবা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র ওল ফ্যের প্রাইস এজেন্ট য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী আপিল তৌজরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

জিপসি মরিদা পুরকপা লোনা য়াদবা পোৎলমশিং ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা হৌজিক লোকদাউন মনুংদা লোনা য়াদবা পোৎলমশিং নারোন্দা মরুটি জিপসি মরিদা মোরেরোমদগী পুশিল্লকপদা অসাম রাইফলসনা য়াইরিপোক হোংবী রোদতগী ফারে হায়রি।

এ আরনা চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী অঙৌবা মচুগী মারুটি জিপসি অহুম অমদি অশঙবা মচুগী মারুটি জিপসি অমা য়াওনা পূন্না গাড়ী মরি খামদুনা চ্যেক তৌবদা লুপা লাখ ৭২ রোমগী লোনা য়াদবা পোৎলমশিং অদু ফাখিবনি। এ আরনা ফারবা মীওই মরি অদুদি খুদুংদগী বেঞ্জামিন (৫২), চকমাদগী নিংথর (৫৫) অমদি সোমি (৪৮) অমদি লিলোংদগী অমজাদ (৪০) নি। মখোয়দগী ফারবা লোনা য়াদবা পোৎলমশিং অদুদি ৱিন চুরুট পেকেট ৩৪,৫০০; ইসে লাইট চুরুট পেকেট ১,০০০; কাং হীদাক বোক্স ১১; টিন ফিশ বোক্স ৪ অমদি মিক্রো মোসকিটো রেপেলেন্ট বোক্স ৬ য়াওনা ফাগৎখি। মখোয় মরি পোৎলমশিং অদুগা লোয়ননা লোগী ওইবা থবক লৌখৎনবা পল্লেলদা লৈবা কষ্টম এন্দ এক্সাইস দিপার্টমেন্টতা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

পুলিসতা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস): ভলন্টরি হেল্থ য়ুনিট কম্মিটি রিমস ইম্ফালনা মীয়ামগী অৱাবদা মতেং পাংদুনা লাকপগা লোয়ননা হৌজিক কোভিদ-১৯ লান্থেংনরিবা অসিদা ফ্রন্টলাইনদা মথৌ তৌরিবশিংদসু মতেং পাংবগী থবক চথুরি।

কম্মিটি অসিগী মেম্বরশিংনা ঙসিসু কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী ওফিসতা চৎতুনা মরী লৈনবা পুলিস ওফিসর অমদা মাস্ক, হেন্দ গ্লোব অমদি পি পি ঈনচিংবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে।

কম্মিটি অসিগী প্রসিদেন্ট এম সুভাসচন্দ্রনা হায়, কুমজা ২০০১গী জুন ১৮দা শাফোঙখিবদগী ঙসি ফাওবদা অৱা-অনা তারবশিংদা মতেং পাংদুনা লাক্লি। রিমস হোস্পিটালদা পুরকপা কোভিদকী অনাবশিংগী মনাক্তা চঙদুনা মতেং পাংবা য়াদবনা ফ্রন্টলাইনদা লান্থেংনরিবা পুলিস পর্সনেলশিং অমদি দোক্টর, নর্সশিংদা ওইনা অঙম্বা মতেং পাংবনি। তেংবাং পোৎলমশিং শিন্নখিবা অদুদা কম্মিটি অসিগী এদভাইজর লোকেন্দ্রো লৌখাম, প্রসিদেন্ট ওইরম্বা অশিনিকুমার থোঙাম অমদি সেক্রেটরি কে বোনিসু শরুক য়াখি হায়রি।

কোভিদ-১৯গী মতাংদা এব্র্যেরনেস কেম্পেয়ন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস): পীপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯না মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা চথুরকখিবা কোভিদ-১৯গী এব্র্যেরনেস কেম্পেয়ন পাঙথোরকপা ওইনা ঙসি ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী থৌ পুবশিং, ইম্ফাল ইষ্ট ব্রাঞ্চকী থৌ পুবশিংগা লোয়ননা পীপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯না ষ্টুদেন্টস ক্লব য়ুম্নাম খুনৌগা খূৎশম্নরগা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না পীপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯গী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা ইন-চার্জ মোইরাংথেম অঙম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা আই আর সী এস মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী চ্যেরমেন নরেন্দ্র নিংঙোম্বা, পীপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯গী কনভিনর বি কে মোইরাংচা, ডা. এ বিবেকানন্দ, মেম্বর ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন অমদি লাইনিংথৌ পুথিবা সেবা কম্মিটিগী চ্যেরমেন হাওবিজম নিমাইনা খন্ন-নৈনবা অদুদা তোঙান-তোঙান্না কোভিদ-১৯ থেংননবা হোৎনবদা শুংশোয় শোয়দনা ফেস মাস্ক উপ্পা, তঙাইফদনা মী অমগা মী অমগা থেংনবদা ফীট ৬ লাপ্পবা, যূম-য়ূমদা খূৎ-শা সাপোন্না তোয়না হাম্বা অমদি হেন্দ সেনিটাইজর য়ূমদা অমদি য়ূমগী মপান্দা থবক চৎথোক-চৎশিন তৌবদা শীজিন্নবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

মখা তারকপদা য়ুম্নাম পাৎলৌদসু পীপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯ অমসুং মোর্নিং ষ্টার ক্লব য়ুম্নাম পাৎলৌনা আই আর সী এস মণিপুর ব্রাঞ্চকা খূৎশম্নরগা এব্র্যেরনেস কেম্পেয়ন অমসু পাঙথোকখি।

মীফম অদুদা পীপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯গী কনভিনর বি কে মোইরাংচা; এসোসিএসন ওফ হেল্থক্যের প্রোভাইদর ওফ ইন্দিয়া, মণিপুর চেপ্টরগী ডা. পিবারেল; ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসনগী মেম্বর ডা. এ বিবেকানন্দ; য়ুম্নাম পাৎলৌ ভিলেজ দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট নাওরোইবম জয় অমদি খারিবম রেখা; য়ুম্নাম পাৎলৌগী মেম্বর অমদি আই আর সী এস ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী চ্যেরমেন নরেন্দ্র নিংঙোম্বনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কোভিদ-১৯গী মরমদা মীয়াম পূন্না খঙমিন্নদবা য়াদবা ৱাফম কয়া থমখি।

মেম্বর হেল্থক্যের প্রোভাইদর ওফ ইন্দিয়া মণিপুর চেপ্টরগী ডা. পিবারেলনা মরুওইনা ফোঙদোকখিবদা, কৈরোই-লৈকাইদা হেল্থক্যের ৱর্করশিংবু চঙহন্দবগী মহুৎতা মখোয়বু পূক্নিং থৌগৎপীবা চঙই। লৈকাই-লৈকাইদা অনা-অয়েক য়াওরকপদা অনাবশিং লৌখৎনবা এম্ব্যুলেন্স লাকপদা অথিংবা পীবা লৈকাই খরদা তৌদবা নত্তে। অদুগুম্বা থৌওংশিং অদু তৌবীগনু। এম্ব্যুলেন্স লাক্কদৌরিবা অসি লৈকাইদুদা অনাবা মীদুগী পূন্সি কন্ননবগীদমক্তনি। মীয়াম্না লম্বী থিংবা, চঙহন্দবা, হেল্থক্যের প্রোভাইদরশিংবু তাথী-তাওইনা তৌবীগনু হায়নসু মহাক্লা আপিল তৌখি।

থৌরম অদুদা অথোকপম নবচন্দ্র, ভাইস প্রসিদেন্ট ইম্ফাল ইষ্ট রেদ ক্রোস সোসাইটিগী টিম অমনসু মাস্ক কমদৌনা উপকনি, সোসল দিষ্টেন্সিং করিনো অমদি খূৎ-শা শেংনা হাম্বগী মতাংদা দেমোন্সট্রেসন তৌখি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

‘ঈ জি সী ক্লবতা মতেং পাংখিবা লৈতে’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস): খাঙবোক এ সীগী সোসল ৱর্কর মেঞ্জোর মঙাংনা ঈ জি সী ক্লবতা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা চঙশিল্লক্তুনা ঙাইহাক লৈরম্লগা মহাক মশা য়াওনা ফোটো খরা কাপখ্রগা মতেং পাংলম্লে হায়না সোসল মীদিয়া ফেসবুককী খূথাংদা লান্না শন্দোরকপা অসি ক্লব অসিবু মীয়ামদা লান্না উহনবীবনি হায়না এদ্যুকেসনেল জিম ক্লব (ঈ জি সী)কী সেক্রেটরি কে ঐচ নিংথৌজানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, এদ্যুকেসনেল জিম ক্লব (ঈ জি সী) ৱাংবল পার্ট-২ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী শঙলেন্দদা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা এগজিক্যুটিভ মীটিং অমা হৌখিবা ওগষ্ট ১৬তা পাঙথোকখিবনি। সোসল মীদিয়া ফেসবুকতা লান্না ফোটো অপলোদ তৌরিবা সন্দিপ মণিপুরনা অথুবা মতমদা প্রিন্ট মীদিয়াগী থোংদা নুমীৎ হুম্নি ফাওবগী মনুংদা শেংদোকপীরক্লুবা খঙহঞ্জরি। করিগুম্বা মীদিয়াগী থোংদা শেংদোকপীরক্তবা তারবদি মসিদা থোক্লকপা অফ-ফত্তগী তেকচাক পূম্নমক মশানা য়ানা লৌজগদবনি হায়না চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

[illegible] / ঙসিমক তানবীয়ু ওজা ABDUL HAK কা

পাইলসনা য়াম্না কন্না নাদুনা ঐগী হকচাংদা চিকপা নাবা, অমাংথোঙদা চেখাইবা অমদি ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, অমাংথোঙ মপান্দা পোম্বা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, শৌজ নাম্থবা, খূৎনা ইনখৎত্রিফাওবা চঙউ য়াদবা, পূকচেপ নাবা, গ্যাষ্ট্রিক কাবা, ঙকশম মরী নাবা, ফম্বী শোনবা, লেংজুম নাবা, খ্বাঙ নাবা তৌরম্বা অদু ওজা কবিরাজ অব্দুল হককী মনাক্তা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফজরে। মরম অসিনা ওজা অব্দুল হক কন্টেক্ট নম্বর 8794429681 & 8014623756 পু পাউচেগী থোংদা হন্না-হন্না থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফদি :-

1. Wangoi SBI Awang, near oil pump (6 am to 5 pm)

থাগৎচরিবা : **Th. Brojen Meitei**

HL-P/7388/19 **Khurai Konsam Awang Leikai**

GOVERNMENT OF MANIPUR
PUBLIC HEALTH ENGINEERING DEPARTMENT

[illegible] / Notice No.CE/PHE/NB/2-452/2019
dated: 17.08.2020

It is hereby notified that e-tender process for the following works have been initiated- a) Procurement of chemical -Lime for PHED, Manipur, b) Procurement of chemical -Bleaching Powder for PHED, Manipur, c) Water supply scheme at Raphel valley, Lamlongei, Imphal East and d) Engagement of Third-Party Inspection Agency for Implementation of Water Supply Schemes in Manipur Under Jal Jeevan Mission. The details can be obtained from the website http:/manipurtenders.gov.in

Sd/-
Chief Engineer, PHED
Govt. of Manipur

HL-B/6320/19

[illegible] / লায়েংজরি

মখাগী অনাবশিং অসি লায়েংজরি :- চহী ৮০-৯০ শুরবা মতম কুইনা নারবা লায়নাশিং হীদাক-গুলি য়াওদনা য়েংজরি। কোক চিকপা, ঙাওবা, লুম্বা, লৱাই শাবা, সাইনস, নাহি তাবা, খৌনাও তোন্সিল, খোন শিবা, হাবা, ফুনগৎপা, ঙকলি পৈবা, বি পি ষ্ট্রোক, নাতোন, মীৎ চিংবা পৈবা, খোঙ-খূৎ শেকপা, খ্বাঙ নাবা, কোনবা তিংহনবা, নাকোং ঙংবা, পংবা, তাবা ৱাৎপা, লোক কংখু এজমা, লাই-নুংশিৎ, ঙাওরি-শোরিবা, লিন হাৎলুবা, পেরলাইসিস, হাকৎচবা, ব্র-ব্র পৎপা, কেন্সর, ষ্টোন কেস, লিভর কেস, হার্ট, শ্বর হোনবা ৱাবা (পাইলস মখলশিং) ঈ তাবা, চক-চক থিনবা, কক্লাই, পোমথোকপা, শৌজ নাম্থবা, য়া-য়ারি পোম্বা, দাইবেটিস, হীদাক-গুলি চাররোই, ইন্সুলিন কাপ্পরোই, চীঞ্জাক কক্লরোই, সুগর ৱাংহন্দবা য়াৱনি। খুকউ, খুনিং, খূৎ পায়থোক-পায়শিন য়াদবা, গাউথ, মীৎ পি তাবা-চিকপা, মশেন মরাং উবা, নোর্মেল পাংবা ঙমদবা, অপোম-অতৎ, হাক্কৎচবা, ফুরি-ফুনাই, শজিং হৌবা, খোঙ্গাই চনবা ঙমদবা, নিঙ্গাংনা ফম্বা ঙমদবা, লৈয়েং ফাইবা, গ্যাষ্ট্রিক, নুপীগী ফিনুংগী অনাবশিং অমদি অনাবা মখল খূদিংমক মায় পাক্লা লায়েংজরি।

লায়েংফম :- **Kwakeithel (Near Bazar)**

HL-P/7438/19 **Contact No. 8974671844**

[illegible]/নূংশঙ (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লি



Naorem Ibomcha

নূংশঙগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- মপান্দা পোম্বা, তংবা, ঈ তাবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, অমাংথোঙ চোন্থবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মনুংদা পোম্বা (হেমোরোয়র্দ), হাক্কৎচবা অদুগা খোঙ হাম্বা য়াদবা অসিনি। অদুগা অতোপ্পা লায়ওং খরনা হকচাংদা তাং-তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খূৎতা চিকপা, পোম্বা, পংথবা-শিথবা হকচাংগী শরুকশিংদা শিংলি-নাওরি নুংঙাইতবা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ফহন্নীংবা লৈরগদি হংবীনীংবা লৈরগদি অমুক্তং লেংথোকপীরক্তুনা তানবীয়ু।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai
Contact Nos. 8014023792/6009147645

HL-B/6295/27 july to 25 Aug.

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR
OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)

[illegible] / **NOTICE FOR OBJECTION**
Imphal, the 14th August, 2020

No. Prop/SR/IW/2019 : It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from “Youth Development Association Phoubakchao” on 14th Aug., 2020 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of “Phoubakchao”.

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society / Association/ Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/ registration of propose Society/Organisation/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7(1)(2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules. 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

Sd/- **P. Memi Devi**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/7440/19

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR
OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)

[illegible] / **NOTICE FOR OBJECTION**
Imphal, the 11th August, 2020

No. Prop/SR/IW/2019 : It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from “Youth Development Organisation” on 11-08-2020 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of “Thana Mamang Leikai Mayang Imphal”.

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society / Association/ Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/ registration of propose Society/Organisation/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7(1)(2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules. 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

Sd/- **P. Memi Devi**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/7439/19